# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, TUESDAY, SEPTEMBER 24, 2019 PAGE 7




*সেন্ট পিটরসবর্গ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা রুশিয়াগী শান্নরোই দানিল মেদভেদেভ*

*নবেম্বর থাদা চৎকদৌরিবা ন্যু জিলেন্দ টুরগী টেষ্ট স্কব়াদতা য়াওখিদ্রবা ইংলেন্দগী ৱিকেটকিপর বেটসমেন জোন্নি বেয়রষ্টো*



## *সাফ মেন'স য়ু–১৮ চেম্পিয়ন্সিপ ঃ* ইন্দিয়া অমদি বাংলাদেশনা শান্নখিবা মেটচ গোল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে

*কাঠমান্দু, সেপ্টেম্বর ২৩ (এজেন্সি)ঃ*

নেপালনা য়ুম্থু ওইরগা চখরিবা সাউথ এসিয়ান ফুটবোল ফেদরেসন (সাফ) চেম্পিয়ন্সিপ মেন'স য়ু–১৮ ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দিয়া অমদি বাংলাদেশ গোল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

সাফ চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি কাঠমান্দুদা লৈবা এ পি এফ ষ্টেদিয়মদা ইন্দিয়া অমসুং বাং লাদেশনা শান্নখিবা গ্রুপ'বি' গী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অদু হেক হৌবদগী টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরকখি।

শান্নবগী মিনট ৫ চঙশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী গোলকিপর প্রাভসুখান গিল বাংলাদেশকী শান্নরোইশিংনা য়াম্না শান্না লংলকপা থ্রো–ইন অমদা মকোক্তা শোকপদগী মখা তানা শান্নবা ঙমখিদবদগী ইন্দিয়া টিমগী হেদ কোচ ফ্লোইদ পিন্টোনা সবষ্টিট্যুট গোলকিপর লালবিয়াখলুৱা জোং টেবু প্রাভসুখান গিলগী মহুৎ শিন্নবা থাজিনখি।

মখা তানা শান্নরকপদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা বংলাদেশকী দিফেন্দরশিংদা অকনবা প্রেসর পীশিনবা হৌরকখি। ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা মেটচকী ৩৬শুবা মিনটতা এটেক অমা চত্থরকখি।

এটেক অদুদা ইন্দিয়ানা কোর্নর অমা ফংখি। কাওরকখিবা কোর্নর কিক অদু ফিভম চানা লৈরিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোই সুমিত রাথিনা হেদ্দিং তৌশিনবদা বোল অদু বাংলাদেশকী গোল পোষ্টকী ক্রোস বার মথক্তা খজিক্তমক লানখৎলগা চৎখিবদগী ইন্দিয়ানা গোল মাঙজিল থারম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা মাঙজখি।

মেটচকী অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মিনট ৯ রোমগী মতম অদু শান্নরকপদসু ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা এটেক কয়া চত্থদুনা গোল একাউন্ট হাংনবা হোৎনখি। ইন্দিয়াগী এটেকশিং অদু বাংলাদেশকী দিফেন্দরশিংনা মায় পাকহনবা ঙমদনা থমখি।

মেটচ অসিগী অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু অয়াম্বা মতমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক হেন্না তৌদুনা লাকখি। ইন্দিয়ানা চত্থরকখিবা এটেকশিং অদু বাংলাদেশকী শান্নরোইশিংনা অরেম্বা তাহন্দুনা থমখি।

মেটচকী লেমহৌবা মতমশিং অদুদা মখা তানা টিম অনীনা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনরকখ্রবসু গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদবদগী মেটচ অদু গোল চন্নদনা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট অমমম য়েন্নখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা লৈবাক ৬ না গ্রুপ অনী থোক্তুনা শান্নরি। সাফ য়ু–১৮ মেন'স চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী চৎন–পত্থাপকী মতুংইন্না গ্রুপ অনীদগী মকোক থোংবা টিম ২ /২ না নোক আওট ষ্টেজ য়ৌবগী খুদোংচাবা পীরি।

সাফ য়ু–১৮ মেন'স চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ইন্দিয়ানা মখোয়গী অনীশুবা অমদি অরোইবা লীগ মেটচ ওইনা থা অসিগী ২৫ দা শ্রী লঙ্কাগা শান্নগনি। করিগুম্বা মেটচ অসিদা ইন্দিয়া মায় পাকপা নত্রগা দ্রো চৎপা ঙম্লবদি নোক আওট ষ্টেজ শোয়দনা য়ৌরগনি।



*ইন্দিয়া অমসুং বাংলাদেশনা শান্নখিবা সাফ য়ু–১৮ চেম্পিয়ন্সিপকী মেটচকী মতাং*

## অহুমশুবা টি–২০ মেটচতা সাউথ অফ্রিকানা ইন্দিয়াবু রন ৯ দা মায়থিবা পীদুনা সেরিজ ১–১ দা মান্নখ্রে

*বেঙ্গালুরু, সেপ্টেম্বর ২৩ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়া অমসুং সাউথ অফ্রিকানা শান্নরিবা ক্রিকেট সেরিজ অসিগী মনুং চন্না ঙরাং অথেংবদা বেঙ্গালুরুদা লৈবা এম চিন্নস্বামী ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অহুমশুবা টি–২০ মেটচতা সাউথ অফ্রিকানা য়ুম্থু ইন্দিয়াবু ৱিকেট ৯ দা চাওনা মায়থিবা পীখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়া অমসুং সাউথ অফ্রিকানা শান্নরিবা ক্রিকেট সেরিজ অসিগী অহানবা ওইনা থা অসিগী ১৫ দা শান্নগদবা টি–২০ মেটচ নোংনা মরম ওইরগা শান্নখিদে। অনীশুবা টি–২০ মেটচ ওইনা থা অসিগী ১৮ দা শান্নখিবা অনীশুবা টি–২০ মেটচতা ইন্দিয়ানা সাউথ অফ্রিকাবু ৱিকেট ৭ তা মায়থিবা পীদুনা সেরিজ অসি ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখিবনি।

ঙরাং বেঙ্গালুরুদা লৈবা ৩শুবা অমদি অরোইবা টি–২০ মেটচ অদুগী টোস ইন্দিয়ানা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখি। ইন্দিয়ানা ওভর ২০ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৯ আওট ওইরগা শুপ্পগী রন ১৩৪ খক লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী ইন্নিংস হৌবদগী ফিভম শোকখি। ওপনর রোহিট শর্ম্মা শুপ্পগী রন ৯ খক লৌরম্লগা আওট ওইখি। টিম অসিগী অতোপ্পা ওপনর সিখর ধৱননা বোল ২৫ দা সিক্স ২ অমদি ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৩৬ লৌরম্বা অসিনা টিম অসিগী খ্বাইদগী য়াম্বা স্কোর ওইখি।

ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিসু বোল ১৫ মায়োক্নরবা মতুং রন ৯ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

ৱিকেটকিপর রিসব পন্টকী রন ১৯, ৬শুবা বেটসমেন হর্দিক পান্দিয়াগী রন ১৪ অমদি ৮শুবা বেটসমেন রবিন্দ্র জাদেজাগী রন ১৯ টিম অসিগী শিংথাবা য়াবা স্কোরশিং ওইখি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বেটসমেনশিং রন ১০ য়ৌবা অমত্তা য়াওখিদবদগী ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদু ওভর ২০ শান্নবা লোইশিনখিবদা বেটসমেন ৯ আওট ওইরগা রন ১৩৪ দা লোইশিনখি।

সাউথ অফ্রিকাগী বোল্লিং দা কাগিসো রাবাদানা খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স ওইনা ইন্দিয়াগী বেটসমেন ৩ আওট তাহনবা ঙমখি। টিম অসিগী অতোপ্পা বোল্লর জোর্ন ফোরচুইন অমদি বিয়ুরান হেন্দ্রিক্সসু ইন্দিয়াগী বেটসমেন ২ /২ আওট তাহনবা ঙমখি।

সাউথ অফ্রিকানা মায় পাক্নবগী রন ১৩৫ লৌবগী মথৌ তাখিবা অদু ১৭শুবা ওভরগী ৫শুবা বোলদা বেটসমেন অমখক আওট ওইরগা রন ১৪০ লৌবা ঙমদুনা অহুমশুবা অমদি অরোইবা টি–২০ মেটচ অদু সাউথ অফ্রিকানা ইন্দিয়াবু ৱিকেট ৯ দা মায়থিবা পীদুনা সেরিজ ১–১ দা মান্নদুনা লৈখি।

সাউথ অফ্রিকাগী ইন্নিংস হৌবদগী ফিভম য়াম্না ফজরকখি। ওপনর রিজা হেন্দ্রিক্স বোল ২৬ মায়োক্নবদা ফোর ৪ য়ৈরগা রন ২৮ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

অতোপ্পা ওপনর ক্বিন্টন দি কোকনা ইন্দিয়াগী বোল্লরশিং অদু নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমদুনা বোল ৫২ দা সিক্স ৫ অমদি ফোর ৬ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ৭৯ লৌরম্বা অসিনা খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স ওইখি।

সাউথ অফ্রিকাগী মায়কৈদগী অহুমশুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা তেম্বা বাভুমাসু বোল ২৩ দা সিক্স ১ অমদি ফোর ২ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ২৭ লৌরম্বা অসিনা মপুং ওইরগা মেটচ অসি সাউথ অফ্রিকানা ইন্দিয়াবু য়াম্না হেনবা মওযদা ৱিকেট ৯ দা মায়থিবা পীরমখি।



## মালভিকানা মালদিপস ইন্টরনেসনেলগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে

*মালে, সেপ্টেম্বর ২৩ (এজেন্সি)ঃ*

মালদিপ্সকী সিটি মালেদা চত্থখিবা মালদিপস ইন্টরনেসনেল বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপী সট্টলর মালভিকা বান্সোদনা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে।

মালদিপ্স ইন্টরনেসনেল ফ্যুচর সেরিজ অসিগী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচতা মশাগী চহী ১৯ দা ঙাইরিবী ইন্দিয়াগী সট্টলর মালভিকা বান্সোদনা অহানবা সিদেদ ম্যান্মারগী শান্নরোই থেট টার থুজারবু মিনট ৩১ চঙনা শান্নরবা মতুং ষ্ট্রেট গেম অনীদা মায়থিবা পীরম্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা টাইটল লৌবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচ অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচঅদুগী অহানবা গেমদগী হৌরগা ইন্দিয়াগী মালভিকানা ম্যান্মারগী শান্নরোই থুজারবু হিরম খুদিংমক্তা লাকশিন্দুনা লাকখি। অহানবা গেম অদু মালভিকানা পোইন্ট ২১–১৩ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

গেম অমা মাঙজিল থারিবী ইন্দিয়াগী নুপী সট্টলর মালভিকা বান্সোদনা অনীশুবা গেমদা অমুক্কা হেন্না ফজরক্তুনা গেম অদুসু য়াম্না লায়না পোইন্ট ২১–১১ দা থোইদুনা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল অসি মহাক্না অহানবা ওইনা লৌবা ঙমখিবনি।

মালদিপ্স ইন্টরনেসনেল ফ্যুচর সেরিজ অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী ফাইনেল মেটচতা অনীশুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী পেয়র ভাইভাভ অমদি প্রকাস রাজনা থাইলেন্দগী পেয়র পাক্কাপোন টিরারাটসাকুল অমদি পানিচাফোন টিরারাটসাকুলবু মিনট ২৬ চঙনা শান্নরবা মতুং ২১–১৬, ২১–১৫ দা মায়থিবা পীরম্লগা কাঙলূপ অসিগী টাইটল লৌখি।

মালদিপ্সকী সিটি মালেদা চত্থরকপা মালদিপ্স ইন্টরনেসনেল ফ্যুচর সেরিজ অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা অহানবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী সট্টলর কেভিন অরোকিয়া ৱাল্টর অনীশুবা সিদেদ থাইলেন্দগী শান্নরোই কান্টাৱাট লিলাভিচাবুটরগী মখূত্তা ষ্ট্রেট সেট ১৩–২১, ১৪–২১ দা মায়থিহৌদুনা রন্নর্স অপ তাহৌখি।

## ইন্দিয়াগী নুপী সট্টলর সিন্ধুনা কোরিয়া ওপন বেদমিন্টন্দা টাইটল লৌনবা মীৎয়েং থমখ্রে

*ইঞ্চিওন, সেপ্টেম্বর ২৩ (এজেন্সি)ঃ*

সাউথ কোরিয়াগী সিটি ইঞ্চিওনদা হয়েংদগী শান্নবা হৌগদৌরিবা য়ু এস দোলর ৪০০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা কোরিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা হন্দক্তা ৱার্ল্ড টাইটলগী মীথোল ফংখ্রবী ইন্দিয়াগী মকোক থোংবী নুপী সট্টলর পি ভি সিন্ধুনা টাইটলগী মীৎয়েং থল্লি।

পনবা য়াই, মশাগী চহী ২৬ শুরবী ইন্দিয়াগী নুপী সট্টলর পি ভি সিন্ধু হন্দক্তা লোইশিনশিনখিবা চাইনা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা অনীশুবা রাউন্দদা থাইলেন্দগী শান্নরোই পোর্নপাৱি চোচুৱোংগী মখূত্তা মায়থিহৌবদগী নীংবা কায়হৌখিবনি।

কোরিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী কুমজা ২০১৭ গী ইদিসন্দা ইন্দিয়াগী শান্নরোই পি ভি সিন্ধুনা টাইটল লৌবা ঙমখি। সিন্ধু হয়েংদগী হৌগদৌরিবা কোরিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসতা ৫শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারি। মহাক্না অহানবা রাউন্দদা য়ু এসকী বৈৱেন ঝাংগা লম্বা তৌনগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলপ্তা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই সাইনা নেহৱালসু ৮শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়াদুনা অহানবা রাউন্দদা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোই কিম গা ইয়ুনগা লম্বা তৌনগনি।

কোরিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী সট্টলর পরুপল্লি কাশ্যপ অমদি বি সাই প্রনিথসু শরুক য়ারি। সাই প্রনিথনা অহানবা রাউন্দদা ৫শুবা সিদেদ দেনমার্ককী এন্দর্স এন্টোন্সেনগা শান্নদুনা কেম্পেন হৌদোক্কনি। অদুগা পরুপল্লি কাশ্যপনা অহানবা রাউন্দদা ক্বালিফায়র অমগা শান্নগনি।

হন্দক্তা লোইশিনখিবা থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী দবলসকী টাইটল লৌবা ঙমদুনা টোপ টেনগী মনুং চনখ্রবা ইন্দিয়াগী পেয়র সাটৱিকসাইরাজ রানকিরেদ্দি অমদি চিরাগ সেথিনা কোরিয়া ওপন অসিগী অহানবা রাউন্দদা ৪শুবা সিদেদ জপানগী পেয়র টাকেসি কামুরা অমদি কৈগো সোনোদাগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী দবলসকী কাঙলূপ্তা শরুক য়ারিবা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী পেয়র মনু অত্রি অমদি বি সুমিত রেদ্দি অহানবা রাউন্দদা ক্বালিফায়র পেয়রগা লম্বা তৌনরগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলস অমদি মিক্স দবলসতা ইন্দিয়াগী পেয়র অমত্তা শরুক য়াখিদ্রে।



*ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ইন্দিয়াগী সট্টলর পি ভি সিন্ধু*

## ফিবা ৱুমেন'স এসিয়া কপ্তা ইন্দিয়া গ্রুপ এদা লৈখ্রে

*বেঙ্গালুরু, সেপ্টেম্বর ২৩ (এজেন্সি)ঃ*

বেঙ্গালুরুদা লৈবা শ্রী কান্টিরাভা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা হয়েংদগী পাঙথোক্কদৌরিবা ফিবা ৱুমেন'স এসিয়া কপ্তা ইন্দিয়াগী টিম গ্রুপ এ দা লৈখ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপী বাস্কেটবোল টিম হৌজিক–হৌজিক ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা ৪৫শুবা পোজিসনদা লৈরিবনি। ইন্দিয়ানা গ্রুপ অসিদা মমাঙগী চেম্পিয়ন ৱার্ল্ড নম্বর ১০ জপান, ৱার্ল্ড নম্বর ১৮ সাউথ কোরিয়া অমদি ৱার্ল্ড নম্বর ৩৯ দিভিজন এগী গ্রুপ এ দা পুন্না তামিন্নরি।

ইন্দিয়াগী টিম কুমজা ২০১৭ গী ইদিসনদা লৱার দিভিজন–বি গী টাইটল লৌদুনা ইলাইট দিভিজন–এগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবনি।

গ্রুপ 'বি' দা ওষ্ট্রেলিয়া, চাইনা, ন্যু জিলেন্দ অমদি ফিলিপিন্স লৈমিন্নরি। টুর্নামেন্ট অসিগী চৎন–পত্থাপকী মতুং ইন্না গ্রুপ অনী অসিদগী মকোক থোংবা টিম অনী সেমি ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইগনি। অদুগা অনীশুবা অমদি অহুমশুবা পোজিসন তাহৌবা টিমশিংনা অমুক লম্বা তৌনরবা মতুং সেমি ফাইনেলগী মফম কনগনি।

ফিবা ৱুমেন'স এসিয়া কপ অসিদা ইন্দিয়াগী টিম্না অহানবা মেটচ ওইনা ৱার্ল্ড নম্বর ১০ জপানগা অহৌবা নুমিৎতা শান্নরগনি।

## স্পেনগী লা লীগা ফুটবোলদা রিয়েল মাদ্রিদনা সিভিলাবু ১–০ দা থোইখ্রে, সেরি এদা লাজিও মায় পাকখ্রে

*মাদ্রিদ। রোম, সেপ্টেম্বর ২৩ (এজেন্সি)ঃ*

স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লা লীগা ফুটবোলদা রিয়েল মাদ্রিদনা সিভিলাবু গোল ১–০ দা থোইখ্রে, ইটালিগী সেরি এ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা লাজিও মায় পাকখ্রে।

লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা রিয়েল মাদ্রিদ অমদি সিভিলানা শান্নখিবা লীগ মেটচ অসি হৌবদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকখি। রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চত্থবা ঙমখ্রবসু গোল চনশিনবা ঙম্নদনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোই সিভিলাগী মায়কৈদা লেপ্পা লৈতনা এটেক কয়া চত্থদুনা সিভিলাগী শান্নরোইশিংদা অকনবা প্রেসর পীশিন্দুনা লাকখি।

মেটচকী ৬৪শুবা মিনটতা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা কারিম বেঞ্জেমানা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

গোল শোত্থরিবা সিভিলাগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা রিয়েল মাদ্রিদকী মায়কৈদা এটেক কয়া চত্থখ্রবসু রিয়েল মাদ্রিদকী দিফেন্দরশিংনা মথৌ নীংথিনা খঙদুনা মায়োক্লবা ঙমখিবদগী মেটচকী অপীবা মতম লোইশিনখিবা ফাওবদা গোল অমত্তা হন্দোকপা ঙমখিবদগী মেটচ অদু রিয়েল মাদ্রিদনা সিভিলাবু গোল ১–০ দা থোইরমখি।

ইটালিগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট সেরি এগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা লাজিওনা পারমাবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসি হেক হৌবদগী লাজিওগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চত্থদুনা গোল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। মেটচকী ৮শুবা মিনটতা লাজিওগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা সিরো ইমোবাইলনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা ঙন্না মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

মখা তানা শান্নরকপদসু লাজিওগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না অদুম্মক চত্থদুনা লাকখি। গোল শোত্থরিবা পারমাগী শান্নরোইশিংনা ইক্বেলাইজর ওইনবা হোৎনরকখ্রবসু মায় পাকপা ঙমদনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা গোল শোত্থরিবা পরমাগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চত্থদুনা গোল হন্দোক্নবা হোৎনরকখি। পরমাগী শান্নরোইশিংনা গোল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ মেটচকী ৬৭শুবা মিনটতা লাজিওগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা এদাম মারুসিকনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচকী লেমহৌবা মতমশিং অদু মখা তানা শান্নরকপদা টিম অনীমক য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নরকখ্রবসু অহেনবা গোল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখিবদগী মেটচ অসি লাজিওনা পারমাবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীরমখি।

ফ্রান্সতা পাঙথোকপা মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লীগে ৱানগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা পেরিস সেন্ট জর্মেননা লিওনবু গোল ১–০ দা থোইবা ঙমখি।

পেরিস সেন্ট জর্মেন অমদি লিওননা শান্নখিবা মেটচ অসি হেক হৌবদগী টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখি। টিম অনীমক পাঙ্গল মান্নরকখিবদগী অহানবা হাল্ফকী অপীবা মতম লোইশিনখিবদা ফাওবদা গোল অমত্তা চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নরকপদসু মায়কৈ অনীদগী অকনবা এটেক চত্থদুনা অহানবা গোল চনশিনবা ঙম্নবা হোৎনরকখি। মতম কুইনা টিম অনীগী মায়কৈদগী গোল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখ্রবা মতুং মেটচকী ৮৭শুবা মিনটতা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা ব্রাজিল মচা নেমারনা মেটচকী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু চন্দুনা মেটচ অদু পেরিস সেন্ট জর্মেননা লিওনবু গোল ১–০ দা থোইরমখি।



*রিয়েল মাদ্রিদ অমদি সিভিলানা শান্নখিবা লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মতাং অমা*

## পানঘাল অমদি মনিস সেনিয়র বোক্সিং নেসনেলসতা য়াওররোই

*ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৩ (এজেন্সি)ঃ*

হন্দক্তা রুশিয়াগী সিটি একাটেরিনবর্গতা লোইশিনখিবা মেন'স ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা পুৱারী ওইনা সিলভর মেডল ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী বোক্সর অমিত পানঘাল অমদি ব্রোঞ্জ মেডল লৌখ্রবা মনিস কৌসিক মথং থাগী ৪ দগী ১০ ফাওবা শিমলাদা পাঙথোক্কদৌরিবা সেনিয়র বোক্সিং নেসনেলসতা শরুক য়াররোই।

নুপাগী কেজি ৫২ গী কেটেগোরিদা শান্নরিবা ইন্দিয়াগী বোক্সর অমিত পানঘাল রুশিয়াদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিংগী মনুংদা অহানবা ওইনা সিলভর মেডল ফংদুনা পুৱারী শেমখিবনি।

ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা সিলভর মেডল ফংখ্রবা অমিত পানঘালনা ঙসি ন্যু দিল্লিদা য়ৌরক্লবা মতুং এজেন্সি অমগা উন্নখিবদা মহাক্না হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা সেনিয়র বোক্সিং নেসনেল অসিদা শরুক য়াররোই হায়না ফোঙদোকখিবনি।

বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী হায় পার্ফোমেন্স দাইরেক্টর সান্টিয়াগো নিএভানা ফোঙদোকখিবদা হন্দক্তা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ারুবা বোক্সরশিং পোত্থাবগী মথৌ তাই। মরম অসিনা মখোয় সেনিয়র বোক্সিং নেসনেলসতা শরুক য়াররোই হায়বগী অয়াবা পীখিবনি হায়রি।

সেনিয়র বোক্সিং নেসনেলস অসিদা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ারুবা আসিস কুমার (কেজি ৭৫) দি শরুক য়াগনি হায়রি।

ক্রোসৱার্দ ২৮৭ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| F | L | A | G | | U | R | B | A | N | | D | A | M | E |
| L | U | L | U | | N | O | O | N | E | | A | M | E | X |
| A | S | K | S | | E | V | E | N | T | | D | O | T | E |
| W | H | A | T | E | V | E | R | I | T | T | A | K | E | S |
| | | | A | Y | E | | | E | E | R | | | | |
| S | C | A | V | E | N | G | E | | D | U | M | B | O | S |
| C | A | R | | | L | O | U | T | | R | E | E | V | E |
| O | N | E | W | A | Y | O | R | A | N | O | T | H | E | R |
| T | O | T | A | L | | F | O | R | E | | | A | R | F |
| S | E | E | S | A | W | | S | E | X | T | A | N | T | S |
| | | | | M | A | C | | | T | A | R | | | |
| B | Y | H | O | O | K | O | R | B | Y | C | R | O | O | K |
| L | O | U | D | | E | N | U | R | E | | E | L | M | O |
| A | R | G | O | | N | A | D | I | A | | S | E | E | N |
| B | E | E | R | | S | N | E | E | R | | T | O | N | G |